চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

SUNDAY SPL. (9 AM TO 2 PM)
SONY LED TV
NEVER BEFORE NEVER AGAIN ...
*HURRY ONLY LIMITED STOCK
22P413D
MRP-14,400
OFFER PRICE - 13,490/-
24P413D
MRP-15,900
OFFER PRICE - 14,490/-
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
VIDEOCON HOUSE, PAONA BZ. IMP.



কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী দিসি কমপ্লেক্সতা ঙরাং দিপ্যুটি কমিস্নার টি রঞ্জিৎ সিংনা পিপিআইগী অহানবা রাউন্দ হৌদোকপগা লোয়ননা অঙাং অমদা পোলিও দ্রোপ পীথকখিবা

সিলচরগী বিআর অম্বেদকর হোদা পাঙথোকপা অহানবা নোর্থ ইষ্ট য়ুথ কনভেন্সন ঙরাং লোইশিনবা থৌরমদা বরাক তম্পাক্কী সোসিয়েল ৱার্কর প্রো. ওক্রম চুরামনিদা ফাদর ওফ মণিপুরী সোসিয়েল ৱার্কর এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা



3 YRS WARRANTY LED TV
AQUAGUARD FREE
40 HH (LED) ₹ 30990 = ₹ 26500
AQUAGUARD FREE
LED 32"(3 YRS) = ₹ 16500
24"LED (FULL HD) = ₹ 12000
20"LED TV = ₹ 8400
22"LED (FULL HD) = ₹ 9600
22"LED + AQUAGUARD = ₹ 11200
24"LED (3 YRS) + AQUA = ₹ 13500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6 KG ₹ 8690 = ₹ 8000
7.2KG H13 ₹ 10190 = ₹ 9000
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 11000
150LT REFRIG: = ₹ 8600
170LT REFRIG: = ₹ 9700
190LT REFRIG: + STAND ] ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

ঙসিগী অঈং-অশা: শাবগী চাং ঃ ২৬° ঈংবগী চাং ঃ ১২° | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৫৪ | নোংজুগী চাং : ০ এম এম

IMPHAL, MONDAY 30 JANUARY, 2017
নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ৩নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 70 Page : 8 | Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

*মীপুম খুদিংমক লাল্লি অদুবু অশিংবা মীওই খক্তনা লানখিবশিংদুদগী পরা তমহৌই*

## অহানবা কাখল

### এনইসি প্রোজেক্টশিংগী মরাইবক করি ওইগদগে হংনরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এনইসি) হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টগী মখাদা পায়খৎকদবা লুপা ক্রোর কয়াগী প্রোজেক্টশিংগী মরাইবক করি ওইগদে হায়বা ৱাহং কয়া হৌজিক ইলেক্সন নকশিল্লকপা অসিদা হংনবা হৌরক্লে।

পাউ অসিনা হায়, ষ্টেট অসিদা পায়খৎকদবা এনইসি প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা নুপা মচা অমসুং নুপীমচাগী ট্রাইবেল হোষ্টেল শাবা য়াওরি। মসিগীদমক লুপা লাক্ষ ৬৮৭.২৩ এনইসিনা অয়াবা পীখিবগী মনুংদা অহানবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ২৪৭ হৌখিবা চহী ২০১৪গী মার্চ ৫দা সেঙ্কসন তৌরকখ্রে।

অদুবু সেঙ্কসন তৌখিবা চহী অনী মখায়রোম শুরবা ফাওবদা থবক অসিগী ৱার্ক এজেন্সি ওইরিবা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এমদিসি)না থবক হৌদনা লৈরে হায়না মমাঙ থা দিসেম্বর ৮দা চীফ সেক্রেটরীনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নখি। অদুবু লমগী য়েৎনবা লৈবদগী থবক হৌবা ঙমদবনি হায়না মরম পীখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী পুরৈলোম্বা কৈথেল ক্রোসিংগী মমাঙদা লৈরম্বা রাজা ধুম্ব্রা হায়স্কুল কমপ্লেক্সতা গার্লস হোষ্টেল অমা শানবা প্রোজেক্ট অমসু এনইসিনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা লূপা লাক্ষ ৬৬১.৮৯ অয়াবা পীখি। হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদা অহানবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ২৩৮গী শেনফম ২০১৬ এপ্রিল ২৭তা সেঙ্কসন তৌরকখি। থবক অসি এডুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইনা পায়গদবনি।

মখা তানা চীংমৈরোদা নুপী কৈথেল অমা শান্নবগীদমক লুপা লাক্ষ ৯৮০ এনইসিনা অয়াবা পীখি। শেনফম অসিগী মনুংদগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ২০১৪ মার্চ ৪দা লুপা লাক্ষ ৩২৮ রিলিজ তৌরকখি। থবক অসিসু এমদিএসনা পায়বনি। অদুবু লমগী য়েৎনবা লৈ হায়বদগী ঙসিফাওবা তৌফম থোকপশিং অদু তৌদনা লৈরি। মখা লমায় ৬তা

গ্যাসকী পাউ লা: ৩ দা

## লোইরেদনা

ওঝা ফনয়ামসু তাকপীরে অদো তরেংলৈবীগী মন্ত্রদুদংগা তাকপীরদি পৈশা পায়বী, মশক ফজবী থবক তৌবী অমা ত্রাই তৌজহৌগে



চংথোক ও দা ইবো মদু লৈরম্লগবু নন্দোন চৎনবীসে লৌরমগদ্রা নহান্না বালাগী নুপা ওইরম্লৈদ্রা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### অপঙবা প্রজা

পঙবদগী পঙবা প্রজানি
হায়জিল্লিবা মখে থাজবনি
হায়জিল্লু পঙহায়দা হায়জিল্লু
খুবাক নঙসু হায়জিল্লু
থম্বাল নঙসু হায়জিল্লু
সোসিয়েল ৱার্কর নঙসু হায়জিল্লু
টিকেট ফঙলবনসু হায়জিল্লু
টিকেট ফঙদ্রিবনসু হায়জিল্লু
টিকেট ফঙদ্রবনসু হায়জিল্লু
হঙোইমান নখোয়সু হায়জিল্লু
হায়জিল্লু পঙহায়দা হায়জিল্লু
হায়জিল্লিবা মখে থাজবনি
পঙবদগী পঙলবা প্রজানি।

# বিজেপিগী ওফিস শেমগৎপা অমদি নরেন্দ্র মোডিগী ইম্ফাল খোঙচৎতা পুথোকখিবা শেনফমশিং হপ্তা অমগী মনুংদা হন্দোক্কদবনিঃ *কেবা*

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ হৌজিক নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈরিবা বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস শেমগৎপদা চঙখিবা শেল অমদি ২০১৪গী ফেব্রুৱারি ৮দা নরেন্দ্র মোডিনা ইম্ফালদা লাক্লম্বগী খোঙচৎতা চঙখিবা পুন্না লুপা লাক্ষ ৪৪লিশিং ৭৯ বিজেপিগী অমিট সাহ অমদি নারেন্দ্র মোডিনা হপ্তা অমগী মনুংদা হন্দোক্কদবনি হায়না সাপম কুঞ্জাকিশ্বর(কেবা)না ফোঙদোকখ্রে।

বিজেপি মণিপুর প্রদেশতগী তোত্তুনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি(এনইআইদিপি) দা য়াওখ্রবা সাপম কেবনা ঙসি তেরা কৈথেলদা পাঙথোকপা এনইআইদিপিগী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনভেন্সনদা ৱা ঙাংলদুনা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী ফৎত্রবা কংগ্রেস লৈঙাক্তগী নাম্থোকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা বিজেপিদা ২০১৩গী ওক্টোবর থাদা য়াওরকখিবগা লোয়ননা থৱায় হকচাং য়াওনা পার্টি অসিদা কখোক্তুনা পাৎশোই কেন্দ্রগী মীওই ১০০ লৈরম্বদগী মীওই লিশিং ১১,৭০০ মীং চনহনখিবনি।

হৌখিবা চহী ২০১৪গী ফেব্রুৱারি ৮দা নারেন্দ্র মোডিনা



ইম্ফালদা লাত্তুনা লাংজিং অচৌবদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেইনগী থৌরম অদু শিন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিবা অদুদা ষ্টেজ শাবা য়াওনা লূপা লাক্ষ ৪১গা লিশিং ৫০ পুথোক্তুনা হোৎনখি। মতম অদুদা বিজেপিগীনি হায়বা মীওই খরখক নত্তনা কনাসু লৈখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মতম অদুগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম চাওবনা লূপা লাক্ষ ১১লিশিং ৫০ দি হঞ্জিনলকখি হায়না মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈরিবা বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস অসি হৌজিক ওইরিবা অসুম্না লৈরম্বা নত্তে। মসি ওইহন্নবা হোৎনরকপদা মহাক্না প্রেমিষ্ট কার্পেটিং য়াওনা শেমগৎ-শাগৎপদা লূপা লাক্ষ ১৪গা লিশিং ৭৯ পুথোক্তুনা হোৎনরকখিবনি হায়রদুনা বিজেপিগী অসুক ৱানা হোৎনরক্লবা অসিদা মতিক চাদে হায়দুনা ইন্থোরক্লবনিনা পার্টি অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা চঙখিবা অমদি নরেন্দ্র মোডিদা খোঙচৎকী থৌরমদা চঙখিবা অপুনবা শেনফম লূপ লাক্ষ ৪১লিশিং ৫০ অসি বিজেপি প্রসিদেন্ট অমিট সহা অমদি নরেন্দ্র মোডিনা হপ্তা অমগী মনুংদা হন্দোরকউ, করিগুম্বা মখোয়না নুপা থোক্লবদি হায়খি।

করিগুম্বা ৱাফম অসিনা অরানবনি হায়রবদি মদুদা থোরকপা খুদিংমক থেংনগনি হায়না ফোঙদোকখি। মীওইবা অমগী পোলিটিকেল কেরিয়র অমবু মখোয়গী অরোনবা মীশিংগা মান্নরগা মাঙহন্নবা হোৎনবসি তৌফম থোক্তবনি হায়বসি ভোট হায়দোকপা নুমিৎতা উৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি য়াওদুনা রিজনেলগী ৱাখল্লোনদা থাজবা থমদুনা লমদম অসিগী য়াইফনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এনইআইদিপিগী পোলিটিকেল কনভেন্সন অদুদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ঙারেংবম সমর্জিৎ অমদি মরুওইবা থৌমী কয়ানা এনইআইদিপিনা লমদম অসিদা লৌগদবা থৌদাং কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

# বেষ্ট নিউজ এনালিষ্ট এৱার্ড নিঙোম্বম হেমন্তকুমারদা পীখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ মেডিয়া ইন্সেটিভ ঠিয়া হোম লাইব্রেরি ট্রষ্ট,হাওবম মরক কৈশাম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা বেষ্ট নিউজ এনালিষ্ট এৱার্ড 'হুইয়েন লানপাউ' পাউ-চেগী এডিটর নিংঙোম্বম হেমন্তকুমারদা খূৎশিন্নবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দাইরেক্টর ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবম, এম বাবুধোন, রিটয়ার্ড এসপি, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাই অমদি ডা. এ ইবোমচা শর্ম্মা(আইআইএস) হেদ, রিজনেল নিউজ য়ুনিট, এআইআর ইম্ফালনা মথংশিংনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট,



প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেঘচন্দ্র কোংবমনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবদা, ওল ইন্দিয়া রেডিওগী অয়ুক পুং ৭.৩০গী পাউদা য়াম্না পোপুলর ওইবা প্রোগ্রাম অমা ওইবা নোংমগী পাউ-চেদা য়াওরিবা পাউশিংবু খন্ন-নৈনবগী ওইবা থৌরম অসিবু হেন্না মপুং ফাবদা অমদি পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীবা এৱার্ড অমনি।

অদুবু অতৈ-অতৈ মফমশিংদদি নেস্নেল পাউ-চেশিংদা য়াওরিবা হেদ লাইনশিংদা করি-করি য়াওরিবগে হায়বা অসি অয়ুক্কী পাউ পারমদাইদা হান্না লাউথোকনি। মদুগী থৌরম অদুগী মওংদা ঐখোয়গী মণিপুরদা লাকপা মতমদদি হায়রিবা পাউ-চেশিং অসিদা য়াওরিবশিং অসি করিনো হায়বদু নৈনবগী থৌরম অমা হাপচিল্লক্তুনা কোন্নদি মসিগী থৌরম অসি য়াম্না পোপুলর ওইরকপনি। অদুগা মতম অমদদি অয়ুক্কী এআইআরগী পাউ অসি মিনিট মঙাখক শাঙলম্বা অদু হৌজিক্তি খন্ন-নৈনবগী মিনিট ১০মুক হাপকৎলক্তুনা মিনিট ১৫গী চাং দা ওইরক্লে।

ঐখোয়গী মণিপুরগুম্বা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লোন তোঙান-তোঙান ঙাংবা অদুগা কম্যুনিকেসনগীসু কয়া খুদোং চাদবা মফমশিং অদুদদি অয়ুক্কী পাউ অসিদা হাপ্লিবা থৌরম অসি য়াম্না পাম্নবা অমসু ওইরি চীংগী লমদদি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কিদনেপ তৌখিবা শিন্মী ৩গী মনুংদা ২ শিনা ফঙলে ১না রেস্ক্যু তৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ লমদমসিদা য়াম্না তোইনা থোকপা মীবু ফারগা রেন্সম তানবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া ঙসি লেপ্তনা থোক্লি। থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মনুংচন্না থা অসিগী ২৬তা কেএনএফ(এন)নি চিংনবশিংনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিসকী মনুংচনবা মফৌ দামগী অৱাং তুরেলদা নুং-লৈঙোই পেকপা ক্বারিগী থবক শুবা শিন্মী অহুম কিদনেপ তৌদুনা ফাখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা অনী শিনা ফঙলে, অমনা রেস্ক্যু তৌখ্রে।

কিদনেপ্পর অমসু নোংমৈনা পাল্লগা ফারে। শকখঙদবা কেএনএফ (এন) গী কেদরনিচিংনবশিংনা কিদনেপ তৌখিবদগী শিনা ফঙলবা লেবর অনী অদুদি য়াইরিপোক খোইরোমদগী কাঙুজম থোই অমদি সেকমাইজিন দগী তোম্পোক কৌই হায়রি। রেস্ক্যু তৌরবা মীওই অদুগী মমিংনা কেঐচ বিজেন (২৫)নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফঙবা পাউদা শিন্মী অহুম অসি থা অসিগী ২৬তা মখোয়না থবক শুরিবা থৌবাল তুরেল মপালদা নুং-লৈঙোই পেকপা (ক্বারি)গী থবক মফমদা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা কেএনএফ(এন)গী কেদরনিচিংনবা মীওই মঙারোম লাক্লগা ফাদুনা পুখিবনি।

মখোয় ফাখ্রে হায়বগী পাউ অসি লিতান পুলিসতা পীরবা মতুং পুলিসনা মখোয় অহুম্বু ফারিবা কাঙবুশিং অদুনা লৈরম্বা য়াবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চৎথরকখিবনি। মসিগী মথক্তা মণিপুর সরকারগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎনরিবা কেএনএফকী কেদরশিংনসু মখোয় অহুমগী খোঙ্গুল লিখি।

কেদরশিং অসিনা কিদনেপরশিং অদুনা লৈরম্বা য়াবা মফম মহাদেব, সনাকৈথেল অমদি মোলশোয়গী মফমশিংদা পাকশন্না ওপরেসন চৎথরকপদা মোলশোয় মনাক্কী সেলবুঙ গোলতাবী খুনদা ফাজিন্দুনা লৈরম্বা থেংনবদগী নাকল অনীমক্তা খূৎ থোক্লদুনা নোংমৈ কাপ্লখি।

খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা থোই অমদি তোম্পোক মফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি। অদুগা বিজেননা কিদনেপ্পরশিং অদুগী মখূৎতগী রেস্ক্যু তৌবা ঙমহৌখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা পাউদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা কেএনএফ (এন) গী কেদর থাংমিলিয়ান খোংসাই অপোকপা ঙমজান খোংসাই মোলসাং ভিলেজদগীনি হায়রি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা মফম অদুদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯লোম তাবদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি। অদুবু ঙসি অয়ুক অঙনবদা খুঞ্জাশিংনা থোক্লগা য়েংলুবদা মীওই অনী মফম অদুদা শিরগা লৈরমখিবনি হায়রি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা ঙসি কুকী ইনপিগী ওফিস্তা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

# রেলৱেগীদমক লম হেক্টর ২.১০গসু লৌশিনগদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃহৌজিক জিরিবামদগী তুপুল ফাউরগা ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা অকনবা মওংদা শেম্বগী থবক চৎথরিবা ব্রোদ গেজ রেলৱেগী লাইনগী মনুংচন্না য়াওরিবা টনেল নম্বর তরেৎকী এপ্রোচ রোদ শেম্নবগীদমক মীওই তরেৎকী মিংদা লৈবা অপুনবা লম হেক্টর পোইন্ট ২.১০ পাক চাওবা লম লৌশিল্লগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওফিসিয়েল ওইবা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী নোটিফিকেসন অদু কমিস্নার(রিভেন্যু)গী মায়কৈদগী ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরী ওইনাম নবকিশ্বর সিংহনা থোকখিবনি।

অপুনবা হেক্টর ২.১০ পাক চাওবা লম অসি রাইট টু কেয়র কম্পেসেশন এন্দ ট্রান্সপরেন্সি ইন লেন্দ একুয়াইজিসন, রিহেবিলিটেসন এন্দ রিসেটলমেন্ট(সোসিয়েল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট এন্দ কন্সেন্ট(মণিপুর), রুলস ২০১৪গী রুল ৩(১)গী মতুংইন্না রেলৱে লাইনগী পর্পজগীদমক গভর্ণমেন্টনা লৌশিনগদবনি হায়বা ৱাফমসু নোটিফিকেসন অসিদা পল্লি হায়রি।

লমশিং অসি লৌশিনবগীদমক সোসিয়েল ইম্পেক্ট এসেসমেন্টকী ষ্টদিগী রিপোর্ট নোটিফিকেসন অসি থোকখিবা থা তরুক্কী মনুংদা পীখৎলক্লক্লবা ৱাফমসু পল্লি। অপুনবা লমশিং অসিগী মপুশিংগী মমিংনা ফুনজিকপৌ অপোকপা চালুদি(একর অমা), পোল কামৈ অপোকপা দাইনিলুং কামৈ(একর অমা), গুইজআন কামৈ অপোকপা লৈখিদ্রবা লুংপুইনিং কামৈ (একর অমা), পুইলুঅনপূঅন দাংমৈ (একর অমা), দিবুআনাং কামৈ অপোকপা লৈখিদ্রবা কুজিননাং কামৈ (একর ০.১৮৯), লুনগনপৌ কামৈ অপোকপা লৈখিদ্রবা লূনখাংথাই (একর ০.৫) অমসুং দিংতানলুং গাংমৈ অপোকপা কুথাইরৈ গাংমৈ (একর ০.৫)নি।

হায়রিবা তোঙান-তোঙানবা মপুশিংগী লম পুম্নমক ফার্মলেন্দ ওইবগী মথক্তা ফোরেষ্টকি উশিং হৌরিবা মফমশিংনি হায়রি। অদুগা লমশিং অসিনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কম্বিরোন(পুইলূঅন) ভিলেজগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি হায়রি।

লেন্দ একুয়াইজিসন অসিগী মখা তাবা ঈ-পাউশিং সোসিয়েল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট (এসআইএ) য়ুনিট মণিপুরগী মেম্বর সেক্রেটরীদগী ফঙগনি হায়রি।

# ইম্ফালদা নুপীগী অহানবা আইবিসিগী প্রোফেস্নেল ফাইট পাঙথোকখ্রে

## সরিতানা হঙ্গেরিগী জোফিয়া থীন্দুনা মহাক্কী অহানবা প্রো. বাউঠ মায় পাকখ্রে



এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপীগী প্রোফেস্নেল ফাইট পাঙথোকখ্রে। মদুদা লমদম অসিদগী মমিং লৈরবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা মহাক্কী অহানবা লাইট ৱেল্টর ৱেটকী প্রোষফস্নেল বাউঠ অদুদা হঙ্গেরিগী জোফিয়া বেদোবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ান বোক্সিং কাউন্সিলগী মখাদা পাঙথোকপা প্রোফেস্নেল বাউট মঙা থীন্নখি। মদুদা নুপীগী ওইনা ইন্দিয়াদা অহানবা প্রোফেস্নেল বাউট অনী য়াওখিবনি।

সরিতাগী বাউঠ অদুগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী পিঙ্কী জঙ্গ্রাসু মহাক্কী প্রো বোক্সিং বাউট অদুদা স্লোভ কয়াগী বোক্সর ক্লোদিয়া ফেরেঞ্জিবু মায়থীবা পীখি।

নুপাগী বাউঠ অহুম য়াওখি। অহানবা বাউটত ইন্দিয়াগী বিপিন কুমার ঊানদাগী বোক্সর মুবারক সেগুয়ানা অহুমশুবা রাউন্দদা নোক আউট তৌখি।

লাইট হেভি ৱেটকী ফাইট অমদা ইন্দিয়াগী সোম ভহাদুর পুননা থাইলেন্দগী মানোব সিথেমবু অনীশুবা রাউন্দদা নোক আউট পীদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা মায় পাকখি। অদুগা সুপ্পর ৱেল্টর ৱেটকী আইবিসি নেস্নেল চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সিথাঠ বরমননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জগনাঠনবু টেক্নিকেল নোকআউট তৌখি।

অকুপ্পা পাউ লমায় ৭

# ইন্টেসিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন ২০১৭ হৌদোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোকপগুম ইন্টেসিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম ঙসি লমদম অসিদসু ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেস অমদি ষ্টেট হেলথ সোসাইটি মণিপুর অনীনা খূৎশম্নদুনা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেসকী কেম্পস্তা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লমদম অসিগী মফম শিঙ্গুনা ভেক্সিন বূঠ ৩৫৮৫ হাংদোক্তুনা চহী মঙাগী মখাদা লৈরিবা অঙাং লাক্ষ ৩.৫ হেনবদা প্লস পোলিও অসি পীথক্লবগী পান্দম থম্লগা লোয়ননা ঙসি পীথকপা ঙমহৌদ্রবশিং য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙ চঙদুনা পীথক্কদৌরি। ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর ডা. রাজোনা ফোঙদোকখিবদা হকচাং ফনা অমদি নাদ-য়েক্তবা হায়বসি পুন্সিগী অশেংবা লননি। অদুনা হকচাং ফনা লৈনবা মফম মতম চানা ইম্ম্যুনাইজেসন তৌহৌগদবনি।

চহী য়ামখ্রবা মতুংদদি ইম্ম্যুনাইজেসন তৌনিংই হায়দুনা তৌবা য়াবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, পোলিও লায়নাদগী ফহন্নবা হিদাক অমত্তা লৈতে অদুবু মতম চানা চহী মঙা মখাগী পীক্লিবা অঙাংশিংদা মতম চানা প্লস পোলিও পীথকহৌরবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লমদম অসিবু মশা-মউ ফনা লৈনবা অমদি পোলিও লায়নদগী ঙাকথোক্লবা মমা-মপাশিংনা পীক্লিবা চহী মঙা মখাগী অঙাংশিংবু লৈকাই-লৈকাইদা হাংদোক্লিবা ভেক্সিন বূঠশিংদা পুথোক্তুনা পোলিও হিদাক পীথকপীয়ু হায়না মহাক্না অপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেসগী এডিস্নেল দাইরেক্টর ডা. সলামট উল্লহ, ষ্টেট নোদেল ওফিসার ইম্ম্যুনাইজেসন ওইরিবা জোইন্ট দাইরেক্টর ডা. টিঐচ নন্দকিশ্বর অমদি এফদব্লিয়ুএসকী জোইন্ট সেক্রেটরী ডা. টিঐচ অরুনকুমারনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি ইকাইখুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

মরী লৈনবা পাউ লমায় ৫

# পার্মিট্তা থাউ পীবা য়ারোই

## পীরম্বা পম্পশিং থা অমা থীংজিনগনিঃ *ইচম*



এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ গভর্ণমেন্টকী পম্প নত্তবা পম্পশিংদা পার্মিট সিষ্টেমদা থাউ পীবা য়ারোই। লোয়ননা হয়েংদগী য়েংশিনবা হৌরগনি, করিগুম্বা পীরম্বা পম্পশিং থা অমা থীংজিনগনি হায়না ইনফোর্মেসন সেন্টর হিল এরিয়া মণিপুর(ইচম)না লাউথোকখ্রে।

ঙসি কেক্রুভিল্লাদা লৈবা ইচমগী ওফিস্তা পাউ মীশিংগা উন্নবদা প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রোনা হায়খিবদা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চৎথরকপা থা ৩ ফাজিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মীয়াম খম থেংনা ৱান্নরে।

মসিগী মনুংদা মীয়াম্না থাউ ফঙদবগী অৱাবা অসিসু অমনি। ফিভমসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পম্পশিং অসিগী মনুংদা পম্প খরদনা থাউ লেপ্তনা পীবগা লোয়ননা পার্মিট সিষ্টেমদা থাউ বেরেল অমদি শিন্টেক্স ফাওদা লৌনরি। ব্লেক্তা থাউ মরাং কাইনা মফম খুদিংদা ফঙলি। লৌনিংবা লিটর মশীং লৌগে হায়বদা ফঙদবা লৈতে।

মরম অদুনা হয়েংদগী পম্পশিংদা দ্রাইভ চৎথবা হৌরগনি। নিয়ম চুম্না থাউ য়েল্লমদবা পম্পশিং থা অমা থীংজিল্লগনি। মরুওইনা পম্পশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা পম্পদা থাউ পীবা মতমদা য়েংশিনবীয়ু মদুদা চিংনবা লৈরবদি ইচমদা পাউ পীবিরকউ।

নাকল অমরোমদা এফসিআইনা পায়রিবা পোৎলমশিং গভর্ণমেন্টনা পায়শিনবা তোকপীরো। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসিসু আইওসিদা শিন্নবীয়ু। মীয়াম্না থাউ ফঙদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈদা ব্লেক্তা থাউ লেপ্তনা ফঙলি। থাউ য়েল্লকপা মতমদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা য়েংশিনবীয়ু। করিগুম্বা চিংনবা লৈরবদি টেলিফোন নম্বর ৮৭৩২০৩২৯৬৩দা পাউ পীবিরকউ। মীয়াম পুল্লগা থাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501